# অরুনাচল প্রদেশকী সী এমনা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংদা দ্রগ টেষ্ট তৌথোক্লবা খঙহনখ্রে

ইটানগর, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং পুলিস পর্সনেলশিং টোক্সিকোলোজি টেষ্ট তৌনবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা নোংমাইজি নুমিত্তা খঙহনখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশতা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী কয়ানা দ্রগ শীজিন্নবগী রিপোর্ট কয়া তোয়না ফোংলকপদগী চীফ মিনিষ্টরনা আপীল অসি তৌখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীয়ামগীদমক্তা থবক তৌনবা থৌদাং কয়া শীন্নরিবা মীওইশিংনা ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী প্রোব্লেম অসিদা চেন্নহল্লোয়দবনি।

অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী অমসুং পুলিস পর্সনেল খুদিংমক্তা দ্রগকা মরী লৈননা টেষ্ট তৌথোক্লবা আপীল তৌরি। মীয়ামবু সর্ভ তৌবগী থৌদা পায়রিবশিং প্রোব্লেম অসিদা চেন্নবা য়ারোই। কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশপু দ্রগ ফ্রী ষ্টেট অমা ওইহনবগী পান্দম থল্লি হায়না পেমা খন্দুনা ট্বিটর পোষ্টতা ইখি।

দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী প্রোব্লেমনা চাওনা শোকহল্লবা অরুনাচল প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট নিপানদগী গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং টোক্সোকোলোজি টেষ্ট তৌহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মমাংদা ৱারেপ লৌখ্রবনি। ষ্টেট অসিগী নামসাই, লোহিট, দিবাং ভেলি, অপ্পর সিয়াং, অঞ্জো, চাংলাং, তিরাপ অমসুং ৱেষ্ট কমেং দিষ্ট্রিক্টশিং ইনিদয়াগী দ্রগ খ্বাইদগী লান্না শীজিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট ২৭২ গী মনুং চনখিবসি মীপায়নিংঙাই ওই।




মঙ্গোলঙানবী কোলেজ, নিংথৌখোংগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজি, কেমিষ্ট্রি, জিওলোজি, বোটনি অমসুং জুলোজিনা লোক্তাক বটালিয়ন অসাম রাইফলসকা খুৎশম্নদুনা লোক্তাক পাৎতা পাঙথোকখিবা লোক্তাক্কী ঈশিং অমসুং অতাওবা ফুমদিশিংগী মতাংদা থিজিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

# *মিজোরামগী এম এল এ দিসক্কালিফাই তৌখিবা সিটকী বাই ইলেক্সনদা ভোট চাদা ৮৩ হেন্না ভোট থাদখ্রে*

*আইজোল, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী):*

*থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মিজোরামগী সর্সিপ এসেমব্লি সিটকী বাই ইলেক্সনদা ভোটর চাদা ৮৩ হেনবনা ভোট থাদখি।*

*বাই ইলেক্সন অদুদা সিট অসিগী এম এল এ ওইরম্বদগী দিসক্কালিফাইদ তৌখ্রবা জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেদ পি এম) গী লালদুহোমানা অচৌবা রাইভেল অনী থেংনরি। মখোয়দুদি রুল্লিং মিজো নেস্নেল ফ্রন্ট (,ম এন এফ) কী ভানলালজাওমা অমসুং কোংগ্রেসকী পি সী লালতালানসাঙানি।*

*ইলেক্সন ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা ভোট থাদবগী পার্সন্তেজ নুমিদাং পুং ৭ তা চাদা ৮৩.৮ য়ৌখি। অয়ুক পুং ৭ তা ভোট থাদবা হৌরগা নুমিদাং পুং ৭ তা ঈংনা চিক্লা লোয়শিনখি। অশোয়বা য়াওবা ঈ ভি এম খরা মহুৎ শিন্দোকপা নত্তনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদে।*

*কোভিদ-১৯ সস্পেন্ট নৎত্রগা পেসিএন্টশিং সিনিয়র সিটিজনশিং অমসুং হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগুম্বা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী ভোট ১৭৬ কী মনুংদা ভোটর ১৬৭ না পোষ্টেল বেলোটশিং শীজিন্নখি।*

*হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা এন্টি দিফেক্সন লোগী মখাদা হৌজিক্কী এম এ লএ লালদুহোমা দিসক্কালিফাইদ তৌখিবদগী বাইপোল অসি মথৌ তারকখি। সার্সিপ কন্সটিট্যুএন্সিদা নুপী ভোট ১০,৩২৯ য়াওনা ইলেক্তরেট ১৯,৫২১ লৈ। মসিদা নত্তনা সর্ভিস ভোটর ১৯৮ সু লৈ।*

*চৈরকসিদা বাইপোল অসিদা রুল্লিং ফেক্তরনা মরম ওইদুনা মহাক্না পাক্কনি হায়না এম এন এফকী নোমিনী ভানলালজাওমানা ক্লেম তৌখ্রে। লালদুহোমানসু সিট অদু মখা তানা মহাক্না পায়বা ঙমগনি অমসুং কুমজা ২০১৮ দা হেনখিবা ভোট মশীংদগী হেল্লগা হন্দকসু মহাক্না কাগনি হায়না ক্লেম তৌখি।*

# নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামদা কোভিদকী ফীভম লুশিল্লকপদগী দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিনা ইগজাম য়েথোকখ্রে




গুৱাহাটি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী):

অসামদা কোভিদ-১৯ গী ফীভম লুশিল্লকপদগী দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিগী এপ্রিল ১৯ অমসুং ২০ দা পাঙথোক্কদবা পোষ্ট গ্রেজুএট ইগজামিনেসন খুদিংমক য়েথোকখ্রে।

কন্ত্রোলর ওফ ইগজামিনেসন আই/সী দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটি এ বাবুৱানা খুৎয়েক পীদুনা থোক্লকপা নোটিফিকেসন অমনা নুমিৎ অনী অসিদা সেদ্যুল তৌখিবা পি জি ইগজামিনেসন খুদিংমক (সী বি সী এম অমসুং নন-সী বি সী এস অনীমক) য়েথোক্লে হায়না লাউথোকখি।

দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্টশিং সেন্তর ওফ ষ্টদিজ অমসুং এফিলিয়েটেদ কোলেজ/ইন্সটিট্যুসন খুদিংমক্না পি জি ইগজামশিং য়েথোক্লে। য়েথোক্লবা ইগজামশিং অসিগী অনৌবা তারিফশিং মতমগী মতুং ইন্না খঙহনগনি হায়না নোটিফিকেসন অদুদা পনখি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অসামদা কোভিদ-১৯ কেস খঙৱাং ৱাংখৎলকখিবা লোয়ননা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিনা ৱারেপ অসি লৌরিবনি। ইনৌ নৌনা মীওই ৮৭৬ পোজিটিভ ওইবগা লোয়ননা অসামগী কোভিদ-১৯ গী ফীভম লেপ্তুনা লুশিল্লক্লি।

লায়না অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইনৌ নৌনা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা শিহনবা মী মশীং ১,১২৯ শুরে। ষ্টেট অসিগী অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ২,২৩,৮১৬ য়ৌরে। মখোয়গী মনুংদা ৪,৭৯৪ না এক্তিভ কেসশিংনি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীওই ৩৪ পোজিটিভ ওইখি। হৌখিবা থাখাই অসিদা দিব্রুগরদা পুন্না মীওই ৩৪৭ নোভেল কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ ওইখি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা ফেস মাস্ক উপতবা মীওই খুদিংমক লুপা ১,০০০ ফাইন তৌগনি হায়না অসাম গভর্ণমেন্টনা অনৌবা ওর্দর অমদা লাউথোকখ্রে।

# নাগালেন্দগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি গোখলে কোভিদনা নাবদগী লৈখিদ্রে



কোহিমা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী):

নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা পদ্মাশ্রী এ এম গোখলে কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা গোখলে মশাগী চহী ৭৮ শুবদা লৈখিদবনি।

নাগালেন্দগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি অসিনা লৈখিদবদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। নাগালেন্দ কদারগী ১৯৬৮ বেটচকী আই এ এস ওফিসর অমা ওইখিবা গোখলেনা নাগালেন্দদা তোঙান তোঙানবা কেপাসিটিদা ফম পায়খি। মহাক কুমজা ২০০৬ কী জনুৱারীদা থবক্তগী পোথাখি।

হান্নগী চীফ সেক্রেটরি অসি ভিলেজ দিভলপমেন্ট বোর্দশিংগা মরী লৈননা তৌখিবা থবকশিং অমসুং জৱাহর রোজগার যোজনা শেম্বদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগীদমক্তা কুমজা ১৯৯০ দা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীখি।

ঙসি অয়ুক নাগালেন্দগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরিনা লৈখিদবগী পাউ তাবদা ঐহাক্কী থম্মোয়দা অদুক্কী মতিক ৱাই হায়না নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর রিওনা মহাক্কী কন্দোলেন্স মেসেজ দা হায়খি।

রিওনা মখা তানা হায়, গোখলে থোইদোক হেন্দোকপা ওফিসল অমনি। ৱাখল মুন্না খনবা, অফবা থবক্তা থাজবা থম্বা অশেংবা লিদর অসিনা চহী ৩০ হেন্না ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিসতা থবক তৌখিবদা অফবা অহোংবা কয়া লাকহনখি।


নাগালেন্দদা মহাক্না ভিলেজ দিভলপমেন্ট বোর্দকী কনসেপট অসি পুথোকখি। মসি ভিলেজ লেভেল ফাওবগী দিসেনত্রেলাইজ দিভলপমেন্ট ওইদুনা লৈবাক অসিদগী অতৈ মফমশিংদা হৌদোরকখিবা পঞ্চায়টি ইন্সটিট্যুসনশিংদগী য়াম্না মাংজিন থাখি।

মহাক্না থম্মোয় শেংনা অমসুং থৱায় য়াওনা নাগালেন্দগীদমক্তা তৌবিখিবশিং ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মতম পুম্বদা নীংশিংদুনা লৈরগনি। মহাক্না তৌখিবা শিংথানিংঙাই ওইরবা থবক কয়াবু শকখঙদুনা মঙোন্দা ইনিদয়া গভর্ণমেন্টনা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নখি।

নাগালেন্দগী মীয়ামগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনবীগী খুদোংচাবা লৌবগা লোয়ননা ইনভাইরনমেন্ট কনবগী মহাক্কী অপাম্বনা লিচিং ওইদুনা মহাক্না নাগালেন্দ ইনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সন এন্দ ইকনমিক দিভলপমেন্ট থ্রু পিপলস এক্ট (এন ঈ পি ঈ দি) লিংখৎখি। মসিনা ইথিল পীবদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা বেম্বু মিসন, হনি মিসন্নচিংবা ষ্টেট অসিদা অহোংবা কয়া লাকহনগদবা মিসন কয়া পায়খৎখি।

কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা গোখলেনা লৈখিদবসি নাগালেন্দগী অচৌবা মাংজবনি হায়না সী এম রিওনা মখা তাখি।

# CROSSWORD-3756



**ACROSS**

1 Excellent (5,5)
7 Put in order (7)
8 Vagrant (5)
10 Contended (4)
11 Abroad (8)
13 The capital of Portugal (6)
15 Current (6)
17 Ignore (8)
18 A smaller amount (4)
21 The devil (5)
22 Nonsense (7)
23 Searcher for minerals (10)

**DOWN**

1 Smithy (5)
2 Circle (4)
3 A dozen (6)
4 Able to read and write (8)
5 Thai (7)
6 Wonderful (10)
9 Expert (4,6)
12 Young geese (8)
14 Jumper (7)
16 Container for liquid (6)
19 Senior (5)
20 Final (4)

**Solution 3755**




**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3555**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | 5 | | | 1 | 9 | | |
| 1 | | | | 7 | | | | 2 |
| | | | | | | | | 7 |
| | | | | 9 | | | 5 | 3 |
| | 6 | | 3 | | 4 | | 7 | |
| 8 | 9 | | | 1 | | | | |
| 9 | | | | | | | | |
| 2 | | | | 3 | | | | 4 |
| | | 1 | 4 | | | 2 | | 5 |

**Solution-3554**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 7 | 2 | 6 | 1 | 8 | 3 | 9 | 4 |
| 9 | 3 | 6 | 2 | 7 | 4 | 5 | 1 | 8 |
| 1 | 4 | 8 | 5 | 9 | 3 | 6 | 7 | 2 |
| 4 | 6 | 3 | 1 | 5 | 7 | 8 | 2 | 9 |
| 7 | 9 | 1 | 8 | 3 | 2 | 4 | 6 | 5 |
| 8 | 2 | 5 | 4 | 6 | 9 | 1 | 3 | 7 |
| 2 | 5 | 9 | 3 | 8 | 6 | 7 | 4 | 1 |
| 3 | 8 | 7 | 9 | 4 | 1 | 2 | 5 | 6 |
| 6 | 1 | 4 | 7 | 2 | 5 | 9 | 8 | 3 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

# EMPLOYMENT NEWS

Rajasthan Sahkari Cooperative Board Recruitment 2021: Cooperative Recruitment Board, Rajasthan, Jaipur invites online applications from eligible Indian Citizens for recruitment of following 385 posts pertaining to Sahkari Upbhokta Wholesale Bhandars (SUWB) and Kraya Vikraya Sahkari Samities (KVSS) of the State of Rajasthan. The last date for registration of online applications is 20th April 2021.
Name of Posts
Total Vacancies
Clerk / Junior Assistant / Salesman / Godown Keeper / Store Keeper / Typist / Cashier
385
Age Limit:
21 to 33 years as on closing date.
Age Relaxation - 05 years for SC ST and BC/MBC Male Candidate of Rajasthan State, 10 years for SC/ST and BC/MBC Female Candidate of Rajasthan State. 05 years for General and EWS Female, Plus 10 years for Special Abled Persons and No Maximum age limit for Widow or Divorcee.
Educational Qualification: Bachelor's Degree / Graduate in any discipline from a recognized institute / university.
Examination Fee:
1200/- for General/ Creamy layer of BC/ MBC & SC/ ST/ BC/ MBC/ EWS candidates of other States than Rajasthan.
600/- for Sahariya/ SC/ ST/ Non Creamy layer BC/ EWS and MBC/ TSP Area/ Disabled Candidates of Rajasthan.
The fee can be made through online payment mode only using Debit Cards (RuPay/ Visa/ Master Card/ Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.
Selection Process:
Online Examination
Documents Verification
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through Rajasthan CRB Recruitment Portal (rajcrb.rajasthan.gov.in). The last date for registration of online applications is 20/04/2021.

---

GMC Recruitment 2021: Government of Goa, Goa Medical College and Hospital (GMC), Bambolim Goa invites applications from eligible candidates for recruitment of MTS, Clerk, Medical, Technician and other positions on regular basis. The last date for receipt of applications is 20th April 2021.
ADVERTISEMENT No.03/2021
Name of the Post
No of Vacancies
Multi Tasking Staff (MTS)
222
Store Keeper
05
Lower Division Clerk
74
Medical Record Clerk
13
Junior Stenographer
01
Driver (Light Vehicle)
02
Staff Nurses
377
A.N.M.
03
Occupational Therapist
08
Physiotherapist
09
Speech Therapist
03
Medico Social Worker
10
Senior Technician
06
Anaesthetic Assistant
07
Orthopaedic Assistant
03
Junior Technician
29
Radiographic Technician
07
Pharmacist
18
E.C.G. Technician
04
Laboratory Assistant
04
Laboratory Technician
07
Barber
01
Dialysis Technician
08
Age Limit: 45 years. Age Relaxation as per Govt. Rules.
Pay Scales:
L-1 Rs 18,000/-
L-2 Rs 19,900/-
L-4 Rs 25,500/-
L-5 Rs 29,200/-
Educational Qualifications:
MTS: Passed Secondary School Certificate Examination (OR) ITI Passed.
Store Keeper: Intermediate/Higher Secondary/Senior Cambridge or equivalent. Minimum 02 years experience.
LDC: Higher Secondary School Certificate or All India Council for Technical Education. Knowledge of Computer Application/Operations with typing speedof 30 words per minutes in English.
Medical Record Clerk: Matriculation or equivalent. Speed of 30 words per minute in type writing in English.
Junior Stenographer: Higher Secondary School Certificate. Speed of 100 words per minute in Short Hand and 35 words per minute in typing. Minimum three months certificate course in computers.
Driver: Passed Secondary School Certificate Examination. Driving Licence for Light Vehicles.
Staff Nurse: Certificate in Nursing. Certificate in Midwifery/ Special training for Male Nurses for 6 months duration. (OR) B.Sc. Nursing. Registration certificate as Registered Nurse, or registered Midwife from State Council.
A.N.M: S.S.C.E. with one and half years training (Course) in Multipurpose or Health Workers Course/ 2 years of Auxiliary Nurse Mid-wife training. Registration with state Nursing Council.
Technicians: B.Sc. degree in relevant discipline.
Pharmacist: Diploma in Pharmacy. Should be registered with the State Council of Pharmacy.
Selection Process:
Written Test
Interview.
Application Fee: Not Specified.
How to Apply: Candidates should apply for the desired post, giving following details:- Name of the Candidate, Address, Date of Birth,Upper Age Limit is 45 years (Relaxable for Government Servants),Category, Nationality, Mobile Number, Educational Qualification, Experience Certificate, Valid Employment Registration Card,Valid Caste Certificate and Valid 15 years Residence Certificate issued by Competent Authority. Application should also carry candidates Passport Size Photograph. Completed applications addressed to " (Dattaram Sardessai) Director (Admn.) Goa Medical College, Bambolim – Goa". The last date for receipt of applications is 20/04/2021.

